ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মার্চ ২৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩৪৩শুবা মশীং

ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরকপা

মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা করি থৌরাং পায়খৎলবগে?

মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও অমা থোকপা তারবদি ঈশিংগী ৱাহৌদগী ওইরকপা য়াই হায়না ফাগিওই-করিওই মীয়াম্না ঙাঙনরিবা অসি করিগুম্বা মতমদা অচুম্বা ওইরক্কদ্রা হায়বগী চিংনদবা ঙমদে। লৈবাক অমগী মনুংদা ঈশিংগী ৱাহৌগীদমক অচৌবা লাঞ্জাও থোকপা, লৈবাক অমগা লৈবাক অমগগী মরক্তা নুংঙাইনদবগী ফীভম লাকপা অসিমক্লসু অহুমশুবা লাঞ্জাও ঈশিংগী ৱাহৌদগী থোক্লক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা লাক্লি। লৈবাক অসিদসু কাবেরি তুরেলগী ঈশিং য়েন্নবগী ৱাহৌদা কর্ণাটাকা অমসুং টামিল নাদুগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রে। নেসনল ইন্সটিট্যুট ফোর ট্রান্সফোর্মিং ইন্দিয়া (নিতি আয়োগ) না ফোঙখিবা 'কম্পোজিট ৱাটর মেনেজমেন্ট ইন্দেক্স' মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী মরু ওইবা সিটি ২২ দা লৈনুংগী ঈশিং কংখিবগী অৱাবা মায়োক্লরগনি হায়রি। মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফম খরগা য়েংনবদা হৌজিক অদুক হাক্লা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লদ্রি হায়না লৌবা তারবসু কুমজা ২০৫০ দদি মণিপুর য়াওনা লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরগনি। ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি বোম্বে (আই আই টি, বোম্বে)না চৎথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, চাং ৱাংনা মীশীং হেনগৎলক্লিবা ইন্দিয়াদা ঈশিংগী মথৌ তাবা নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লি। কুমজা ২০২৫ দা ইন্দিয়ানা ঈশিংগী মথৌ তাবগী চাং চাদা ২৪ হেনগৎলক্লগনি। কুমজা ২০৫০দনা চাদা ৭৪ হেনগৎলকপা য়াই। খ্বাইদগী খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরকপা য়াই হায়রিবা মফমশিংদি পঞ্জাব, হরয়ানা, রাজস্থান, গুজরাত অমসুং দিল্লিনি। চাং খরা হন্থজরবসু অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিং, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, হিমাচল প্রদেশ, উত্তরখন্দ, ছতিশগর, ওদিষা, ঝরখন্দ অমদি কেরলাদসু ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরক্লগনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পল্লি।

মণিপুরদসু মতম অমদা ঈশিংগী ৱাথোক লৈরমদে। য়ূম-য়ূমদা পুখ্রি লৈনরম্মী। মীওই অয়াম্বনা পুখ্রি, পাৎ-তুরেলনচিংবদগী থক্ল-চানবা ঈশিং শীজিন্নরম্মী। চৎন-লোনচৎ অমা ওইনা লৈকায়গী ওইবা পুখ্রি ফাওবা থম্নরম্মী। মীশিং হেনগৎলকপগী মতুংইন্না হৌজিক্তি ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা লৈকায় অয়াম্বদা পুখ্রি লৈত্রে। য়ূমগী শীজিন্নবা কোল-লিক ফাওবা ফেংবা-চাম্বা তৌবদা হৌজিক্তি লৈঙাক্লা পীবা টৌটি ঈশিং নৎত্রগা শেল তিংনা ঈশিং লৈরগা শীজিন্নরে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভমসু কা হেন্না হোংলক্লি। নোংজু থাগী মতমদা নোং তাবগী চাং নেমথরক্লে। কালেন থাগী মতমদা কা হেন্না শাগৎলক্লে। নোংজু থাগী মতমদা ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্বা য়াবা পাৎ-তুরেলশিং ঙম্নমক ফুনজিনখিবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী চান-থক্লবা পীরিবা ঈশিং অসি টৌটি ঈশিংনা ওইরে। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মরু ওইনা ঈশিং পীরিবা সিংদা দাম অমসুং ইম্ফাল তুরেলদা ঈশিং লৈত্রে হায়দুনা পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা মীয়ামদা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়না তোঙান তোঙানবা ওর্দরশিং থোক্তুনা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লাউথোকখ্রে। হৌজিক ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরে। পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্টনা ঈশিং পীবা ঙল্লরোই হায়না লাউথোরকপদগী লন্নাই ওইনা ঈশিং য়োল্লিবশিংনসু ঈশিংগী মমল খংহেন হেনগৎলে। ঈশিং লিটর ১৫০০দা লুপা ৬০০/৭০০ ফাওবদা য়োন্নরে। ইমুং অয়াম্বনা ঈশিং লৈবদা থা অমদা য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং ৫/৬ চাদিং তৌবগী ফীভমদা লাক্লে। কোভিদকী চৈথেংনা শেল থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা ঈশিং ফংদবনা মরম ওইরগা লায়রবা ইমুং কয়াদা অহেনবা চাদিং কয়া চৎহল্লি। মসিমক্লা লায়রবা ইমুং কয়াদি নোংম-নোংমগী ফীভম শোকচিল্লকপগী মতৌ অমদা লাক্লে। ঈশিং ফংদবগী অৱাবা অসি হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী লমদম অসিদা চহী খুদিংগী থেংনদুনা লাক্লবনি। অদুমকপু লৈঙাক্লা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা অসি কোকহন্ননবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপগী মমিদি ইতা তাদে। পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়বা নত্তনা ঈশিং ফংহন্ননবা করি করি থৌরাং লৌখৎলবগে অমদি মীয়াম্না ঈশিং ফংদবগী থেংনরিবা অৱাবা অসি মতৌ করম্না কোকহনগদগে হায়বগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী ৱাফমদি মীয়াম খঙনা লাউথোকপা লৈত্রি। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসি য়েংলুরগদি ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবশিংনা ৱাটর পোলিসি নিংথিনা শেমদবদগী ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরিবনি। মণিপুর মীয়াম্না ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লররিবা অসি কোকহন্নবা হৌজিক লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবশিংনা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলিবগে হায়বসি ৱাহং অমা ওইদুনা লৈরি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪

১) "ত্রিপুরাগী মৈহৌরোলদা মৈতৈ" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
২) শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামিনা লেংবা "শ্রীশ্রী চৈতন্যচরিতামৃত" হায়বা লাইরিক অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক অসি কনানা মণিপুরদা হন্দোকপগে?
৩) "শৈরেং ৱারেং শিংজু" হায়বসিগী অইবা কনানো?
৪) "সাহিত্যগী ঈচেলদা মণিপুরী মুসলিম" হায়বসি কনানা খোমজিল্লগা কনানা ফোঙবনো?
৫) "থোঙাক অশিথেন্নে, অশিবনা পোথাফমনে তাইবঙপানববু হন্না য়েংদনা মমা মপা মতু মৱা, মচা অসি খৈবিকপু ঙম্না উইয়ে হায়বগীবু অশিবা খৈবিকনা মফম অদুদা কপনা লাউনা তৌএ অদুবু খমনুং শিতনুপীনা খমনুং অশিহৈবু হৈরাঙ খূত্তা পীদনা চাহল্লে। হৈরাঙ চারবগা মমা মপা, মতু মচা মৱা ঙম্না কাউএ। অদুগীদমকপু থোংঙাক অশিথেন মকোই নুংওনচীং তৌনা কৌএ।" কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

মার্চ ২২, ৱর্ল্ড ৱাটর দে

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৪৬

জিতেন নামৈরাকপম

"এলিমেন্টরি সাইন্স" - ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা তম্লকপা লাইরিকনি। অইবা অদু রাধেশ্যাম কৌবনি। ঐখোয়গীদি গুরু হায়বা তারেকো! ওজা অদুনা ফজনা ইবিরম্মী য়াম্না মুন্না খঙননবা মওংদা, অতোপ্পা লাইরিকশিংদগী কম্পাইল তৌরম্বসু য়াই। মদুমক্তি খঙজদ্রেকো। হৌজিক্তা সুম নীংশিংলকপগী ৱানি। জর্মিনেসন - হৱাই মঙ্গল মরূ নৎত্রগা মরূ অমা হেক্তা ওইবা য়াই, মতোন চোংহনবগী, পাম্বী ওইনা হৌহনবগী মতাংদা ইবিরম্বনি। ঈশিং হায়গদ্রা মনিল চঙই, নুংশা মঙাল চঙই, অদুগা নুংশিৎ চঙই। অহুম অসি য়াওদ্রবদি মতোন চোংহনবা ঙমদে। অমম্বা কা অমদা লিক্লি মনুংদা হাপ্লগা থম্বা মরূ হৌবা ঙম্বগী ৱা লৈতে। জর্মিনেসনগী ৱাহং অসি মেট্রিক পরিক্ষাদা য়াম্না হংগল্লি। ঐখোয়নসু ইরায় লায়না হেক্তা খুম্বা ঙমগল্লি। দাইগ্রাম, ইল্লুষ্ট্রেসনদুনা ফজনা য়েল্লুগা ইরম্বদা মার্ক ৫ গুম্বদি অদুম ফংলমগনি। ফিজিক্স, কেমিষ্ট্রি, বাইওলোজি সবজেক্ট অহুম অসিনা পূনশিনবা লাইরিকনি। মখুম অদু ষষ্থিচে অথাবনা কুপ্পী। পংথাসু থাদে। কাপ মুক্তং শাংবা লাইরিকনি। লাইরিক অদু নৈনরুবা মতমদা সাইন্সকী ওইবা বেসিক নোলেজ ফজনা ফংবা ঙমখি। হৌজিক্কী অথা অথাবা লাইরিক অসিগুম্বদি নত্তে। লুবগী চাংনা হৌজিক্লা হেঞ্জিল্লক্লে। অইবশিং অসি হৌজিক্কী মতমদদি হেন্না হেন্না লুবা তান্নহল্লিব্রা নৎত্রগা অখঙ অহৈ হেনবা তান্নরক্লিব্রা কৈনোমদি তৌরে।

এলিমেন্টরি সাইন্সকী লাইরিক্তা কেমিষ্ট্রিগী মতাংদা ঐচ টু ওনা পূনশিল্লগা ঈশিং ওল্লকপগী মতাংদসু তমজরকখি। হায়দ্রোজেনগী শরুক অনী ওক্সিজেনগী অমা পূনশিলহল্লগা ঈশিং ওইরকপনি থেংনখি। গ্যাস ঙাক্তনিকো হায়জরিবসি। ঐখোয়না নুংতি নুমিৎ খুদিংগী থকপদগী, ফিশু-ফিজামগী অমদি অরু-অনান শেংদোক শেংজিন্নচিংবদা শীজিন্নরিবা ঈশিং অসি মথক্তা পঞ্জখিবা গ্যাস অনী অসিনা পূনশিল্লগা ওইহল্লকপনি হায়বসিদা নৈনবগী মতাং ওইনা তৌখি। মতাং অসি য়ৌরকপা মতমদা তাইবঙ শেম্বা মপু অমুক থাজরকই। করিগীসু থাজরোই গ্যাস অনী তিন্নহল্লগা ঈশিং ওইরকপনি হায়বসিদা মনিলগী শরুকশিং তিন্নরগা ঈশিং ওইরকপগী মতাংসিদা মীৎনসু উবা ফংদবা মনিল অনীসিনা ঐখোয়না থক্ল-চানরিবা ঈশিং পুথোরক্লে। খূৎনা পায়বসু য়াদে, পাইখৎলগা অদুম চৎখ্রগদবনি খল্লুবদা ৱাখলসি হায়রপ-হায়রপ মাঙগে তৌখি। মতাং অসি য়ৌরকপা মতমদা লাই থাজদবা কাঙবুদা ৱাহং অমুক হংখি। লাই মৱা লৌদে, লাই লৈতে হায়বিরিবা অদোম্না অমুক্তং পুথোকপিরকউ চু পাম্বী মথক্তা তারিবা নোংগী মহাউ থুম্বজাৎলা? নোংমাংখা পাম্বীগী মথক্তা তারকপা মরানা চূপশিনখিদুনা পাল্লকপা মনা অমদি মহৈ পুথোরক্লিবা নোংমাংখাগী ঈশিংনা খাবরা? অদুগা অমুক্কসু হায়খি - সোইল হায়বা তারে। লৈবাক লৈহাওগী মতাংদা আলু পাম্বী থাবা মতমদা মতোন চোংহনবা আলু পাম্বী অমনা ফজনা হৌহন্দুনা মনা কংলক্লবা মপূং ফারক্লবা মতমদা লৈবাক খোত্তোক্তুনা য়েংলুবা মতমদা অচৌ অচৌবা আলু ৭/৮/১০ গুম্বদি মখোঙ মরাদা তারম্মী। সাইন্স, বৈগ্যানিক হৈর-হৈরবা সাইন্টিষ্টশিংনা ঙল্লগদি লৈবাক লৈহাওদগী শুংদোক্লগা আলু মতুম অমা অনীদংদি পুথোরকউদনা অহৈবা ওজা সাইন্টিষ্টশিং? মদুগী পাউখুম পীনবা হোৎনবদা মখোয় ব্রেক খংফাবগুম তৌখি। লাই লৈবা নৎত্রগা লৈতবগী মতাংনা অমরোমদা থমখ্রগা নেচরেল প্রোসেসকী মতাংসিদদি ঐখোয় নৈনদবা য়াদ্রি।

ৱারেং অসিনা অমুক হঞ্জিল্লকপা মতমদা ঐখোয় ঙসাই মমাঙদা পঞ্জখিবা ঈশিংগী মতাংদা অমুক ৱাহৈ খরা থমজনীংলকই। ঈশিং ঐখোয়গী থৱায়নি। পাম্বী, শা-ঙা, তীল-কাং মালেম অসিদা হিংলিবা খুদিংমক ঈশিং য়াওদনা হিংবা ঙমদে। অদুনবু মার্চ গ্রহদা থাখিবা এষ্ট্রোনোট খুদিংমক গ্রহ অদুদা উনলা, ঈশিংলা লৈব্রা থিরকউ হায়না থিজিনহল্লিবদু। ঐখোয়না খঙগদবা অমনা ঈশিংবু হেক থেংনরবা জীব পানবা অমদি শোয়দনা লৈরে। অদুনবু হৌজিক কন্না থিজিল্লিবা অসিনি।

ঈশিংগী ৱা পল্লকপদা মণিপুরদা ঈশিং তাঙলে হায়বসিদা কনানসু য়েৎলক্লরোই খঞ্জে। লোক্তাক পাৎকী মপান্দা তাবা মীওইশিং নৎত্রগা ঈশিং চহী চূপ্পা ৱাত্তনা ফংবা মফম খরদা লৈবা মীওইশিংনা ঈশিং শুংৱাৎ ৱাত্তে হায়না য়েৎলক্কদবা মঙাইরে। ঐখোয় ইম্ফালগী মফম খরদা তারিবা মীওইশিং খক্তরা খঙদ্রে ঈশিং তাঙলিবসি। টৌটি ঈশিংসু তাখিদ্রে। খোংবান, পুখ্রি কংশিল্লক্লে। ইরং তুরেল, ইম্ফাল তুরেল অমদি ইম্ফাল ময়োল ফাওনা চেল্লিবা নম্বুল তুরেল ময়াং কংত্রিক কংখ্রে। ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্রোজেক্টশিং থবক লেপ্পখিবদগী ঈশিংগী মমলসু তাঙখৎলক্লে। লিটর ১৫০০ পুরকপা টাটা মচাদু হান্না লুপা ৩০০/৩৫০ পীরম্বদু হৌজিক্তি লুপা ৬০০তা কাপখৎখ্রে। ওর্দর তৌবদসু ঙাইনবদা নুমিৎ ৪/৫নিদি চঙলে। মীয়াম পূম্নমক ওফ সিজন মতমসিদা ঈশিংগী ৱানা খাঙনরে।

পূম্নমক অসি শুপচিঞ্জরগা ঙরাং তারিখ ২২, মার্চ থা অসি ৱর্ল্ড ৱাটর দেনি। মালেমগী মফম পূম্নমক্তা ঈশিংগী নুমিৎকী থৌরম মণিপুর য়াওনা পাঙথোক্লখি। ঈশিংনা থৱায়নি, চহী চূপ্পা ঈশিং ৱাৎহল্লোইহিসি হায়না লাউনবা তাখি। শুংতাবু তাজনীংদ্রে চীংগী লম মিজোরামদা চহী চূপ্পা ঈশিং শুংৱাৎ ৱাত্তবনি। মণিপুরগীদি লোক্তাক পাৎ লৈরি। মণিপুর ঈশিং ৱাৎলে তাবদা নোক্তুম নোক্লিংই ঐহাক্তি। ●

ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১১

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

মসি থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা পরম চুম্বা কাঙলোনসু মথৌ তারকই। মসিগীদমক শেনফম শোয়দনা মথৌ তারক্কনি হায়বসি লোইনা খঙনৈ। মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদগী মালেমগী মী অয়াম্বনা পাম্নবা লোনশিং তমহনবা খুদোং চানবগীদমক ফোরেন লেংগ্বেজ ষ্টদিজ সেন্টর/য়ুনিভর্সিটি কয়াদা শেন্থং পীথরগা হাংনরি। শম্না হায়রবদা, ফোরেন লেংগ্বেজদু য়োকখৎনবা/চাওখৎহন্নবনি, অদুনা শেল মথৌ তাবগী মতুংইন্না ময়ায় ওইরপ/চাওনা শেল থাদবা মথৌ তাবা থৌরাংশিংনি। হীরম খুদিংদা চাওখৎপগী মাঙজিল থাখ্রবা মালেমগী লৈবাক কয়ানা মশাগী ময়েক মরোলদা অনেম্বদগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশীন তম্বদা মথৌ তাবা লাইরিকশিং ফংহন্দুনা মমালোলদা তম্বীনৈ হায়বা অদুম খঙনৈ। মসি ময়েক মরোল চাওখৎপগী ময়েক লারবা খুদমনি। লৈবাক্তুগী/ষ্টেটতুগী মশাগী ওইবা থৌশিলগী মখাদা লমদম অমগী লোল অমদি ময়েক চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা - করিগুম্বা অমা মথৌ তাবদগী খঙহন্নবা হোৎনবদা খুদম ওইনা লৈঙাক্কী লোইশঙশিং, মীয়ামগী মফমশিং, লম্বীশিং, এয়রপোর্ট, বস পার্কিং, কৈথেলশিং, মহৈ তম্ফমশিং, লল্লোন ইতিক্কী মফমশিং, অচৌবা শান্নফম (ষ্টেদিয়ম), মমিগী উৎফম শঙশিং, মীয়ামদা খঙহন্নবা থেৎতুনা থম্বশিং (হোর্দিং সাইনবোর্দ), লৈকায়/খুনগী লমজিন হাইজিনফমশিংদা, দুকান্দা য়োল্লগা য়োনবা পোৎ চৈগী মখুমগী মথক্তা অমদি মনুংদা ফাওবা মরোল অমদি ময়েক্লা ইদবা য়াদবগী অকনবা থৌরাংশিং লৌখৎলি। মসিগী অমত্তা ঙাইবা পান্দমদি লমদমদুগী মমালোল অমদি মপা ময়েক য়োকখৎতুনা চাওখৎহনগদবনি হায়বসিনি। হায়রিবশিংসি মী অমনা ইরায় লায়না পাবা, উনবা ময়েক লানা হায়বদি চাউনা ইহল্লগা অতৈ অহেনবা মীরোলবুনা পিক্লা থাহল্লগা মীরোলসু খঙহন্নবা থৌরাং অদুম তৌনৈ। ময়েক্তুনা ইরিবা লোলদু খঙদবা অমদদি মীরমগী মীতোপকা চপ মান্নবগুম্বনি হায়না লৌবা য়াই। হায়রিবা থৌওংসিদি ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমদবু ওইরবসু মালেমগী ওইনা ইংলিস লোল অমদি রোমান ময়েক নত্তনা লৈবাক্তুগী ওইবা ময়েক্লা ইরিবা মরোলদুদি অখঙবা খরা নত্তনা মীতোপ্নদি খঙবা ঙমদবা অদুগুম্বনি। লোল খঙদবা, ময়েক পাবা ঙমদবা অমদদি লোল থোক্তবা অমদি মিৎ তাংবগা অমহানি। তাজৈ, উজৈ হায়বদনি কান্নফম খঙদবদগী লোল থোক্তবা, মিৎ তাংবগা মান্নে হায়বগী ৱানি। ময়ামসিগী মথক্তা লৈবাক্তুগী ওইনা ওফিসল লেংগ্বেজ অমদি ময়েক (স্ক্রপ্ট) ওইহনবদুনি পাম্নবদি। শেলয়েক্তা য়াওবা হায়বদুনা নাকল অমরোমদা ফুরুপ অমগী লোলগী থাক ৱাংবদু উৎপগী ৱানি, লোলদুগী ময়েক্তা হেক্তমক পাক শন্না মীতোপ্তসু চৎনহনগনি হায়বদি য়াবা নত্তে হায়না লৌবা তাই।

ইরমদমসি মৈদিংঙু/নিংথৌ কয়াগী হাক্তক্তগী মীরমদগী মখোঙ থোংনা চঙলকখিবশিংবু তরাম্না লৌশিন্দুনা নক্লনা থম্লুবদগী থেঙ্খোং কয়াদা মীরমচাগী লৌনম লাংদা থুবদগী ইরমদম ইশাগী ওইবা মমল য়াম্বা পোৎশক মরু ওইনা ইফুরুপকী মশক তাকনীংঙাই ওইবা লোল অশেংবদা লোলয়ান কয়া চঙশিল্লক্তুনা মীরোলগী শরুক খরনা ইরোলগুম শীজিন্নরকপা অদুবু ইরোল ইয়েকপু মাঙহনখিনবা থৌরাং কয়া লৌখৎখিবা - হৌজিক্কী খুন্নাইদা খঙদববু কনা লৈরিবগে। পামহৈবা নিংথৌগী হাক্তক্তগী নৎত্রা 'পুয়া মৈ থাবগী' থৌদোক থোকখিবদগী চহী চা কয়া ইশাগী ইরোল ইয়েক লৈজরম্ববু লৈজদবা ফুরুপ অমা ওইনা মালেমদা ইকায় ফিরুক খুমদুনা খাংলকখিবদু। লাইনীং লাইশোন্দসু নিংথৌরোল মরোল মরোলনা খজিক খজিক উচি চাহোনগী মওংদা মীরম লাইনীংনা চয়েৎ খোৎয়েৎনদুনা লৈরকখিবা। মপুথৌ পামহৈবনা মীরম লাইনীং পাক শন্না চৎনহন্নবা হোৎনরুবদগী মীশি চাদনা মপুন্সি খরা তেন্না (মথক্তা পনখিবা - লাইনীং পরৈগীদা পনখিবা নোংমলবা মওংদা) শিখিবদগী মশু শুথাং ওইবা মীরম লাইনীং লাইশোন পামজবদগী মীরমগী অৱাংবা থাক্কী মিংথোল পীশিনবদগী ফংখিবনা মখা চথখিবদগী হৌজিক্কী ইরমদমগী খুন্নাইদা মপাল মরা মতম অমদা লুনা তারুবদু মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না ঈনাৎ লাইনীংগী অকনবা ঈহৌগী শউমদগী মপাল মরা ফুকতৎতুনা হুন্দোক্কদবদা ঙাইরিবা অদুগুম্বা তাঞ্জাদু মকুম মথা শুরক্লবনি হায়না থমজগে। মরম কোইথোকচররোই, ঈনাৎকী পুয়াদা ইদুনা য়াওরল্লিবা পোৎনি। মরী লৈনবশিংনা থিগৎচরসনু।

মথক্কীসিগী মতুং তারকপদা খুন্নাইদা থেংনরিবা চয়েৎনবা থৌওং অহুম শমজিন্না হায়বা য়াবদি - তরানিপালশুবা চহী চাগী শরুক খরদগী হৌরকপনা তরামাপলশুবা চহী চাদা মণিপুর হায়না লমদমসিগী মমিং ওল্লক্লবা মতুংদা ধাকা (হৌজিক্তনা বাংলাদেশকী শরুক ওইখ্রবা), ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চৎতুনা মহৈ মশীন তম্লক্লগা ইরমদমদা থোরক্লগা খুন্নাইদা লাইরিক হৈবা ওইরম্বশিংনা ইরম্বা, ইবা মখল মথেলগী লাইরিকশিংদা লোলয়ান য়াম্না য়াওরগা ইবনা থাক ৱাংবনি হায়না লৌনরম্বসি মতমদুগী ওইনদি চুমই হায়বা তাই। মরমদি মতমদুদি মীরমগী শাফুনা হীরম খুদিংদা মসা মরেং ফল্লিবা মতম ওইখিবনিনা, মখোয়দদি য়াম্না অদু অদা হায়দবা য়াই। অদুবু মতুং তারকপা মখল মথেলগী অইবা অইবীশিংনা লোলয়ান য়াওবদি পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইফম থোক্তে। মশা মশানা হৌজিক্কী খুন্নাইগী অওনবা অপাম্বসি করিনো হায়বসি খন্থফম থোকপ্রা খঞ্জে। মখোয় লূপ মশেল শৌগৎনরগা অদু অদা হায়দনা মনা মথুম পীনবদি তৌজরবসু মদুনা নাকল অমরোমদা মীরেল মীনাৎ শৌগৎপনি হায়না লৌফম থোকই। অনীশুবদা, মীরমগী ময়েক বেঙ্গোলিনা চহী মতম শাংনা শীজিন্নদুনা লাকপনা হান্না ইদুনা ফোঙখিবা মখল কয়াগী লাইরিকশিং মীতৈ ইয়েক্লা মহুৎ শিন্দোক্লগা, মতুং তারকপা ফোঙবশিংনা লোলয়ান য়াওহন্দনা ইয়েক্লা ইরগা লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী মার্চ থাদগী পাউচেশিং য়াওনা ফোঙবদা য়ানখিবসি অফবা খোঙথাং ওইবনা শৌগৎফম থোকই। মসি মশানা তাজরবা মতমনা পুরকপা অওনবা হায়বদুনি। মসিনা মরম ওইরগা কুমজা ১৯৯২গী ওগষ্ট ২০দা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুল্দদা মৈতৈ (মণিপুরী) লোলবু ময়েক্লা বেঙ্গোলিদা ওইখিবসি হৌজিক্তি ইশাগী ইয়েক মীতৈ/মৈতৈ ময়েক্তা ওন্থোক্লগা ইন্দিয়াগী করেন্সিদা য়াওফম থোকই। মসিগীদমক এম পি ওইবিরিবা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হন্দক্তা লোইখিবা পার্লিয়ামেন্ট বডজেট সেসন্দা পুথোকখিবসি য়াম্না মতাং মতম চাবা অমনি, মসিগীদমক ইকোক নোন্না থাগৎচরি। মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট ১৯৭৯গী মখাদা ঐখোয়গী লোলগী ময়েক্তি বেঙ্গোলি ওইনা লৈরম্বসি থা খরগী মমাঙদা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটনা মৈতৈ ময়েক্তা ওইনা ওনবগী অয়াবা পীখিবা লৈরবনিনা হীরমসিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লসু অথুবা মতমগী মনুংদা ময়োল লৈঙাক্তা তকশিনবীরগা মৈতৈ ময়েকপু ইন্দিয়াগী শেলয়েক্তা য়াওহন্নবা হোৎনবীবসি য়াম্না চুম্বা, লমদমসিগী খুন্নাইচাশিংনা পাম্নবা ৱাফমনি হায়না থমজগে। ●

এডিটরদা থারকপা চিঠি

থাবল চোংবা তোক্লসে, থাবল চোংবা তোকপীরো

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ঙসিদি মৈতৈ সনা লৈবাকসে লাইরিক হৈবদা বি এ, এম এনা থল্লে, ৱাই চাইরে। অদুবু ইখঙ খঙদবগুম তৌরি, অচুম্বা হায়বা অসিবু করিনো? অচুম্বদি লাইরিকনি, অচুম্বগী হৌরকফম লাইরিক্তা কদাইদা লৈরিবা? হৌজিক তম্মিবা লাইরিক অসি শোয়রে হায়বদা কনাসু থাজবীদে, শোয়রিবা অসিবু কদায়দা শোয়রিবনো হায়বদু কনানসু খন্ন-নৈনবীবসু লৈতে। মীরমগী উরুবা-তারুবা ৱারীদি ইবিনবা য়াম্না লৈ। মৈতৈ লৈবাক্তা লৈরিবা মৈতৈ খুন্নাইশিংদি ইশাগী ইরোলবু, ইনাৎপু নুংশিবদি কয়া লৈতে। মসিগী খুদমদি থৌরম খুদিংদা ঙাঙথোকপদা, পাউচেদা মীরমগী/মীগী মরোল থেৎ-থেৎতুনা ঙাঙলিবা, ইরিবা অসিনি।

মতাং অসিদা ঐনা হায়জনীংবদি 'থাবল চোংবা তোক্লসে' থাবল চোংবা তোকপীরো হায়না খ্বাই তরাগী মফমদা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি। ঙসি মৈতৈ লৈবাক মাঙহল্লিবা অসি থাবল চোংবননি। মসিগী মরমদি নুমিৎ মঙানিনি খন্নদুনা লোইরোই। য়াওশঙগী থাবল চোংবদা নুপা-নুপী খূৎশম্নবা য়াদে, মৌগী শীংদা চল্লে, নুপা-নুপী নৌনা য়ূম পানীংবগী ঈরাং পোকহল্লে। য়াওশঙ হায়বা অসিনা মাঙহল্লিবসি পিশক পিক্লিবা অঙাংশিংসু শেল নীবা চৎহন্দুনা শেলগী মহাও খঙহল্লে। মসিনি লৈবাক অমা মাঙবা হায়ববু। মসিগী মরমদা খ্বাই তরানা অচুম-অরান অমুক্তা নৈনবীয়ু।

অরোইবদা ঐনা ইরৈপাকচাশিংগী মফমদা হায়জনীংবদি, থানিল নুমিৎতা তারিবা লমতা থাগী য়াওশঙগী নুমিৎসি মৈতৈ লৈবাক্কী ওইনা ইপুথৌ পাখংবা ঈরাৎপা নুমিৎনি। নুমিৎসিদা ঐখোয় পূম্নমক্লা পূন্না ঈরাৎমিন্নরগা য়াওশঙ তোক্লসে, ইপুথৌ পাখংবদগী য়াইফ থৌজাল নিমিন্নরসি হায়না নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

অদোমগী - সোইবম গুনিন্দ্রো, উচেক্কোন কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।